হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, সেপ্টেম্বর ১০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৬৫শুবা মশীং

# প্রোফেসনেল ইথিক্স

## ঙাক্তবা মীওইশিংদু মীনি হায়গদ্রা

ষ্টেট অমা লৈরবদি মসিগী বেসিক কম্পোনেন্টশিংগী মরক্তা মী হায়বসিমা য়াওই। অদুগা ষ্টেটতুদা লৈবা মীশিংসু অককন্নবা ফুরুপ-কাঙলূপ অমখক্তগী হেক্তা ওইদে। লোন, লাইনীং লম্বেল, কুচু, চাকচা য়ুথক, য়ূম্বান কৈবান অমসুং চৎনবীশিং মান্নদবা অমসুং খেন্নবা খরনা নৎত্রগা ময়াম্না পুনশিল্লগা শেম্মী। হায়রিবা ফীভমসি লৈবাকসিদা থোকই, ষ্টেটসিদসু থোকই। অতোপ্পা মালেমগী লৈবাকশিংদসু থোকই। অসুম্মাইনা ষ্টেটতুবু চলাইবদা চংলিবদসু তোঙান-তোঙানবা লোয়শঙ কয়া চংই। লোয়শঙশিংদু লৈঙাক্তুনা মখোয়গী মীয়ামগীদমক লিংবনি, লৈবাক লৈঙাক্লবনি। মসিগী ওইবা ৱাহন্থোক্তা মান্নদবা লোয়শঙশিংদা, লৈঙাক্তা খেন্নবা ফমশিং খূৎপায়রিবা প্রোফেসনেলশিং অদুনা মখোয়-মখোয়দা শিন্নবা, পীবা মখোয়গী থৌদাংশিং অদু খক্তমক পাঙথোক্কদবনি। মখোয়দা শিন্নদবা, তৌবা য়াদে, তৌগনু হায়বা থবক-থৌরমশিংদি চোংশিন্দুনা তৌশিল্লুবদি লায়রদনা মিৎচিনা ফাওবা য়েংলোইদবনি। মসিনি প্রোফেসনেল ইথিক্স হায়রিবসি। গভর্ণমেন্টকী ওইরবসু নৎত্রগা লন্নাইগীবু ওইরবসু মান্নদবা প্লেটফোর্মশিংদা লেপ্লিবা রেঙ্ক এন্দ ফাইল পূম্নমক্না মসি খঙগদবনি, ঙাক্তুনা চৎকদবনি। মতমদুদতা ষ্টেট নৎত্রগা লৈবাক্তু ঈং-তপ্পা, চাওখৎপা, থোং মান্ননা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা লমদম অমা ওইগদৌরিবনি। অদুবু হায়রিবশিংসি ঙাক্লা চৎনরক্তুবা, মাগী মাগী পনখৈগী ৱাংমা লান্থোক্নরকপা মতমদদি ৱা কায়রগা ঈশিং চংই হায়বদুগী ফীভমদা ৱাথোক লান্থোকশিং থোকহল্লকই, ৱারু-নুংজু থোকই। অচৌবা থৌদোক ওইরগনা লৈবাক ঈরাং থোকই। লমদুদা লৈবা মীয়ামদা মৈশা লাংহল্লি। ষ্টেটতুগী চাওখৎ-লমজেলদা খুরৌ থাংহল্লি।

অদুবু তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী লৈরিবা লোয়শঙ অমদি লূপশিংগী মীওইশিংনা মখোয় মশা-মশাগী প্রোফেসনেল ইথিক্সশিং অদু ঙাক্লা চৎলিব্রা নৎত্রগা চত্রবরা হায়বা ৱাহংসি থোরক্লি। ৱাহংসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিদদা নৎত্রগা হৌজিক্কী লন্নাইগী ইষ্টাব্লিসমেন্ট অমসুং বোদিশিংদতা লাকপা ৱাহং নত্তে। হৌখ্রবা চহী কয়াগী মমাঙদগী লোয়নরক্লবা ৱাফমনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা পাঙথোক্কদবা থৌদাং খরদা ওইরবসু লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তুগী অয়াম্বনা মখোয় মশাগী প্রোফেসনেল ইথিক্স ঙাক্লা চৎনরক্তুবদগী ৱাহংসি ঙসি ফাওবদা হিংদুনা লৈরক্লিবনি। থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোরক্লিবনি। হায়রিবা থৌদোকশিংসি মরা চেৎনা লিংলিবা গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙ খরগী মেছিন্নরিশিংগী মরক্তুসু থোকই। প্রাইভেট এজেন্সী, ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদসু থোকই। মখোয়না মশা-মশাগী তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং অদু মশক মুন্না খঙদুনা চৎনরগদি লৈবাক কাং-খোং চাইহনবা মানবগী থৌদোকশিংসি থোক্লমলোই। মখোয়বু মীয়াম্নসু থাজগনি। মীয়ামগা মখোয়গগী মরক্তা লৈনরকপা মরী তৎহনবা য়াবগী ফীভমসু লৈহল্লক্লোই হায়নীংই। অদুবু হায়রিবা মশাগী প্রোফেসনেল ইথিক্স অদু ঙাক্লা চৎনরক্তুবদগীনি কম্মান্দোনা হোস্পিটালদগী ময়ূমদা হঞ্জরকপা ডাক্তর ফূবগী থৌদোক, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসন আর্টিকল ৩৭১ সীগী প্রোভিজনশিংনা পীবা অয়াবনি হায়দুনা এসেমব্লি অসিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিদা অনৌবা কন্সটিট্যুএন্সি ৯গী মীহুৎশিংবু মেম্বর ওইহনবদা অয়াবা পীখিবগী ওফিসল ওইনা থোকখিবা ওর্দর অদু হন্দোকখ্রবসু প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া এজেন্সী অয়াম্বনা কভর তৌনখিদবদগী মীমাং থোক্লা শংবাইদা ফম্বগুম্বা থৌদৌগী মমি তারক্লিবা। মশ্বাইদদি মশা-মশানা ঙাক্লা চৎনগদবা প্রোফেসনেল ইথিক্সশিং ঙাক্লা চৎনরক্ত্রিবা অসিবু মখোয় মশানা মখোয়গী খোঙফমদা লেপচবা ঙমজদবদগী, সেল্ফ সস্টেন তৌবা ঙমজদবদগী ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা প্রোফেসনেল ইথিক্স মৱা লৌদে, পুক থলহৌরগা লোইরে হায়দুনা মনিংথোংদা পাকথরগা খূৎ অনী চঙদুনা হুকপা য়াওনরকপদগীরা নৎত্রগা মশাগী শীনফমদুগী মরুমদা অকল-অরিং শিংদুনা গুন্দাইজমগী থৌওং চত্থরকপগী মওংলা হায়বসি পাউখুম ফংলরোইদবা ৱাহং ওইরবসু হংনীংলি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫

১) ***“রাধা কৃষ্ণগী অচেৎপা ফোঙদোকপা”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) ***“লীশীং অমা শুপ্লা মরিফুমরিগী মমা”*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবা লাইরিকনি ***“লম্বীসিদা”*** হায়বসি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমদি অইবসি কনানো?

৪) ***“ঙমখৈ নাইদনা হাঙলবা/অহাঙবগী লামায়সে থন্না/ইরি অহাঙবগী শৈরেং,/শৈরেংগী ৱাহৈ অমমম্না/লীরি ফজবগী লোইনাইদ্রবা ৱারী।”*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) মঙাংগুরু পুন্সিবনা লূৱাং খুন্থিবগী মফমদা তাকপীখিবা ***“মীওইবগী পোকপা, শিবা অমদি শিরবা মতুংগী খোঙফম”*** গী অথুপ্পা মরোল খরা ইরিবা লাইরিক্তু করি লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোরোনাসি ময়েক শেংনা মূখৎপা ঙম্লরোইদ্রা?

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

হোৎনবা য়াবা মখৈ হোৎনরবসু পিকখ্রবা ইরমদম মণিপুরসিদদি কোরোনাগী অনীশুবা ৱেভসি লোইশিল্লু হায়বা পাক য়াদ্রি। মণিপুর সনা লৈবাকসিদনা খরা হেন্না নুংঙাইরবা জাৎলা, ইরমদমসিদা কুইরক্লে কোরোনাভাইরসনা নৈদুনা লৈরক্লিবসি। লাইচৎসিনা হনবরা হন্দা, ইরমদমসিগী লৈঙাক্লা ঙম্বরা ঙমদা, লৌ হৈবা মান্নবা মূক্লারোয় অনীনা অমনসু থাদা, অমনসু তুদা লৌ থিনদুনা লৈবগী তাঞ্জাদু হন্দক্কী কোরোনাভাইরসকী তানফমসিদা চপ চানা হেক থোকই। কোরোনানা শোনবরা’সু শোন্দে, ইরমদমসিগী লৈঙাক্লা কনবরা’সু কন্দে। দ্রৌপতিগী পিকখ্রবা কোরি চফুন্দগী লোইবা নাইদনা থিদোক্লকপা চাক-এঞ্জাংশিংগুম, ইরমদম মচাসিগী মনুংদগী নোংম-নোংমগী কোরোনাগী পোজিটিভ পেসেন্টশিং, অরোই-অখম লৈতনা পুথোক্লকই। অদুম ওইনমক দেল্লী, মুম্বাই, কোলকটা, মপান লমগী অচৌবা সিটিশিংদদি কোরোনাগী অনীশুবা খোঙচৎকী ৱারোইশিন নহান্না পুরকখ্রে। হৌজিক, কোরোনাগী অনীশুবা ৱেভনা মশোঙ ফন্দুনা, মরায় কাঙদুনা, নৈদুনা লৈহৌরিবসি শুপ্নগী ইরমদম মণিপুরসি খক্তদবু ওইরম্লনি। তূম্বা-চাবা খঙদনা, নোং অমা ঙানবদগী, নোং অমা ঙানবা ফাও কোরোনাগী ভোলন্টিয়রশিং কয়ামরুম, অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা ষ্টাফশিং, পুলিস দিপার্টমেন্টকী ইচিন-ইনাওশিং, পূম্নমকসিনা ফনা কন্না হোৎনদুনসু কোরোনা লাইচৎকী মতাংসিদদি ইরমদম মণিপুরসিমদি গ্রীন জোননি হায়না লাউথোকপা শুকঙম ঙম্লকত্রি। থৌদৌসি মতম শাংলক্লবনি। অসুম্না, ইরমদম মণিপুরসি গ্রীন জোন ওইহনবা ঙমদনা, মখা তানা লৈখিদৌরিসি মতম কয়াম শাংননো? লাইনদি য়ারোই হন্দকপুদি ফনা য়াম্না হন্থরকপা উই। অদুবু ময়েক শেংবা হায়বদুমদি খক ওইদ্রি।

ইরমদমসিদা কোরোনা পোজিটিভ ওইবগী মশীংসি নোংমা খজিক্তং হেক হন্থরকপগা নোংঙাল্লগা হেক্তা ৱাংখৎখি। ময়েক শেংনা লিশাং শিৎনা হন্থরকপা হায়বসি পাক থেংনদে। ‘লৌরাক অমা থৌদোক্লগা, শঙম অমা হুঞ্জিল্লি” হায়বা মোইরাংগী মজাইবেম্মা থোইবীনা ইকায়খঙদবা নোংবান থাদোক্লম্নবা হোৎনবদা পুথোকখিবা পাইরক্কী লৌশিংসি ঙসিসু কোরোনাগী মহীকশিংসিনা ইরমদমসিদা মতৌ তমদুনা শীজিন্নদুনা লৈরব্রা খঙদে। ইরমদমসিদা চত্থরিবা কোরোনা লাইচৎকী মতমসি তশেংনমকসু শাংমনখ্রে। কোরোনাগীদমক খনবদা লমদমসিগী মীপূম খুদিংমকসি ৱাখল-লৌশিংকা অমত্তা থোক্লদ্রবনি। ঙরাংদং শাগৎচরুবা পোজিটিভ মশীং হন্থরকপদা নুংঙাইবা ৱাখলগী দলানশিং ঙসি অয়ূক্তা ময়ায় চবুক্তা নিংখাইরক্তুনা কোকথক্তা নল্লকপগী থৌদৌশিং, মসিবু কনানা হৌনবা মচৎনো? ঙরাংগী আশাশিংদু ঙসিদি মঙলানগী ফুরাশিং ওইরকই। ককপগা চোংবগা রাবনগী মকোক্লুম্বা কোভিদ-১৯গী মকোকনি। মহীকসিমুক শাথীবসি অনী শুকশু শুরম্লরোই। সিননি কোরোনা লায়না লোইবা-খম্বা খক নাইদ্রিবসি। অককপা খুদিংগী চোংখৎলকপা রাবনগী মকোক্তুদি শুপ্নতগী তরাখক্তংনি। অদুবু কোভিদ-১৯শিংগী মকোকশিংদি তশেংনা মশীং থিবদা ঙম্বা পোৎ নত্তে। মী অমখক্তংদা নাবদা কোরোনানা মচা কয়ানো কোকথোক্লমগদৌরিসি? খনবদা মম্বা অঙ্কনি। ময়েক্কী হায়রুরবদি কোভিদ-১৯ হায়বসি টেষ্টট্যুব মনুংদগী খক হেন্দোকহল্লোইদবা মহীকনি। ন্যুক্লিয়র বোমগী রিএক্সনগুম, কোরোনা মহীকসি লানগী মতমদা য়েক্লবশিংগী মায়কৈদা থাদোকপদসু শোয়দনা মায় পাক্কদৌরিবা মহীকনি। তৌবতবু শীজিন্নরিবা কাঙবুদুনা মশা ঙাকথোকচনবা হীদাক নৎত্রগা ভেক্সিনদি হান্না শেম শাহৌদবা খক য়ারোই। মালেমগী লৈমায়সিদা কোভিদ-১৯ অমত্তং হেক তাখিবদা মালেম পূম্বসি কোরোনাগী মালেম হায়বদু ওইহনবা ঙমগদৌরিবা কোভিদ-১৯নি। তাইবঙ মীওইবনা য়াঙলবা গাড়ীশিং অমদি এরোপ্লেনশিং তোংদুনা মালেমগী মফম অমদগী অমদা, মালেম থুংনা চৎনরি। অদুগা, কোরোনাগী মহীক ওইরিবা কোভিদ-১৯না শুপ্নগী তাইবঙ মীগী হকচাং অমদি পোৎ চৈশিংদা তোংদুনা মালেম পূম্বসি তেল্লবা মতমগী মনুংদা চিত্থদনা য়ৌবা ঙম্লি। সিমক্লনি ঙসি, কোরোনাগী মহীকসিনা শুপ্নগী চাইনাগী ৱুহান সিটিগী লৈমায় মচি অমদা খক ইহান-হান্না থেংনরক্লবা মতুং, খঙহৌদনা তেনখ্রবা মতমগী মনুংদা মালেম পূম্বা শিন-থুংনা শন্দোক্লক্লিবসি। ওইরম্বসু য়াই, ভাইরস মখলসিগী মতিক-মথৌনা ময়েক শেংনা খঙলবা অমসুং ভাইরস মখলসিনা তৌবা ঙম্বা খুদিংমকপুসু খুদক্তা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লবা মালেমসিগী মতিক লৈবা কাঙবু কনানা কোরোনাগী মহীকসিবু মরন্নাই কান্ননবা লম্বীদা শেম শাদুনা পুথোকপসু। তশেংনমকসু ৱাফমসিমক মালেমগী লৈবাক কয়ামরুম্না হৌজিকসু তক্তনা থিগৎনরিবা ৱাফমনি।

হৌজিক্কী মতমদা লুচিংবশিংনা মীয়াম মাঙদা ঙাঙ-শকপশিংসি ওন্থোক্লসু মরীক চুম্না-চুম্না হায়খ্রে। “ইরমদমসিদা কোরোনাগী থার্দ ৱেভ লাক্কনি হায়বগীদমক মীপাইনীংঙাই খক ওইদে, মদুগীদমক পূম্নমক শেম-শাদুনা লৈরে’। শেম শাদুনা লৈরে হায়রিবা পোৎশকশিংসি করি করিনো? কদায়-কদায়ৱাইদা লৈবনো অমসুং মতৌ করম্না শেম শাবনো হায়বনচিংবশিংদু লোকল টি ভি চেন্নেলশিংদা পাউ খঙহনবীরগা মীয়ামদা খজিক খরাক উহনবীরবদি মণিপুরগী মীয়ামসু মীৎ-নাকোং ওইনগনি অমসুং পূক্লিং লূম্নগনি। তৌরিবসিনি, হৌজিক-হৌজিকমক চত্থরিবা কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভসিগী মতাংদসু মণিপুর হায় কোর্টনা মণিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা ৱাফম কয়ামরুম থম্লকখি। মণিপুর হায় কোর্টনা মণিপুর লৈঙাকপু হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা চত্থরিবা কোরোনাগী সেকেন্দ ৱেভসিগী মতাংদা, অপূনবা এক্টিভ ওইবা পেসেন্টশিংগী মনুংদা চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরাদি হোম আইসোলেসন তৌহন্দুনা থম্মী হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী রিপোর্ট থাগৎলকপদা হায় কোর্ট অসিনা য়াম্না কন্না রিএক্ট তৌরকখিবনি। রিপোর্টতু অমুক হন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ওইনা থাগৎলক্লবা ৱাফমসু থম্লকখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্লা এক্টিভ ওইবা কোরোনা পেসেন্টশিংবু চাদা মরিফুতরাগী চাংদা হোম আইসোলেসন তৌহন্দুনা থম্লম্বা হায়বসি শুপ্নগী চাদা তরাখক্তমক মণিপুর লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিংদা কোরোনা পেসেন্টশিং লায়েংই হায়বা তাকপনি। অয়াম্বনা য়ূমথোঙ খুদিংদা বর্থ রুম/টোইলেট অমমমদগী হেন্না লৈনদবা মণিপুরদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতৌ করম্না এক্টিভ ওইবা কোরোনা পেসেন্টশিংগী চাদা মরিফুতরাগী চাং হোম আইসোলেসন তৌহল্লম্বনো হায়বসিসু মণিপুরগী মীয়াম্নসু ঙকপা ফাওনখি। মতৌ অসুম্না, থৌদৌ অমা নৎত্রগা অমদা হেক্তা ঐখোয়গী ইরমদমসিদা অশোয় অঙামগী থৌদৌশিং য়াওশিন্নবসিনা ইরমদমসিদা কোরোনা লায়নাগী খোঙচৎসি ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক মপূং ফানা থিংবা ঙম্লক্তবনি। ৱাফমসি লায়নাসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকচখিবা মমাঙগী ৱারেং কয়াদসু অদুম্মক হঞ্জিন-হঞ্জিন পঞ্জখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু, লাইবক থীবদি থৌদৌসি ঙসিসু ইরমদমসিগী মফম অমা নৎত্রগা অমদা অদুম্মক ইতৎ তক্তনা থোক্লি। হায়নীংলিবসি, কোরোনা লায়না লাইচৎসি লমদমসিদগী অমুক্তং ময়েক শেংনা অমসুং মমুৎ তানা লোইশিনহনখিসি হায়রবদি অসিগুম্বা অহো-অকায়শিংসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীবু ওইরবসু নৎত্রগা লৈবাক মীয়াম ঐখোয়গী মায়কৈদগীবু ওইরবসু চপ মান্ননা অমত্তা লৈহল্লোইদবনি হায়বসি ঐখোয় খঙমিন্নফম থোকই।

কোরোনাভাইরসকী লানফমদা ঐখোয় খুদুম শীংদুনা চঙগদবনি, অদুবু খুবাং তিংনদি কৈদৌঙৈদসু খক হল্লক্তনবা হোৎনগদবনি। কোরোনাভাইরসকী ৱাফমসিমদি, তশেং-তশেংনা ঐখোয় ৱারোইশিন অমদি পুরক্লবা নমদুনা হোৎনমিন্নবা চুমগনি। ৱাফমসি কয়ারক হঞ্জিন-হঞ্জিন পন্নখ্রে, অমনসু হায়গনি, অমনসু হায়গনি। অদুবু, হীরমসিদা ঐখোয় য়ুনিটি লৈনা অমসুং চঙ ফংনা হোৎননীংবগী ৱাখল্লোন্দুদি লমদমসিগী অচৌ-অশাংশিংদা ওইরো, লুচিংবশিংদা ওইরো, মীচমশিংদসু ওইরো কনামত্তদা, মচিন্দা ঙাঙবদু নত্তনা, মথন্মোয় শেংনা চেনবা খক উদ্রি। সিনি খ্বাইদগী লুরিবসি। কোরোনাভাইরসকী লায়নাসি ঐখোয় মমুৎ তানা মুখৎপা খক ঙম্লরোইদ্রা হায়বসি চিংনৈ। ●

# করিনুংগী নর্স ওইরুবনো!

— মনিস্না মঙাঙ —

করিনুংগী নর্স ওইরুবনো!!!
“করিনুংগী নর্স ওইরুবনো?
খল্লুবনি মীওইবা খুন্নাইগী থৌগল তৌজগে,
নীংলুবনি মীওইগী থৌগলদগী অহেনবা লৈতে
শাগৎলুবনি ঐখোয়বু খুন্নাই অসিনা শৈথানফম ওইরক্কনি
নীংজরুবা, খঞ্জরুবা, শাগৎলুবা পূম্নমক ইথন্তগী ওইরম্লে
ওইরগতা খঙলে ঙসিদি করিনুংগী নর্স ওইরুবনো?”

১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন রিপোর্ট, ২০১৯গী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা ১৯.১ লাখ এক্টিভ ওইরি লোয়ননা পোপ্যুলেসন রেসিওদা ১:৬৭০ (পোপ্যুলেসন ১২৮ ক্রোরদা) ওইরি। ইন্দিয়াগী ওইনা 1.7 nurse per 1000 population থুংনরি। মসিমক ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না পীবা নোর্ম (থ্রী পর ১০০০) দগী ৪৩% তানা লৈরি। হীরম অসিগী ফীভম ফগৎনবা The Bore Committee, Shetty Committee, Bajaj Committee অমসুং Cadre Review Committee শেমদুনা নর্সশিং অমদি নর্সসিং প্রোফেসনবু কূপ্না নৈনদুনা “Nurse-to-population ratio and Hospital gi nurse staffing norms” শিং চৎন-কাঙলোন শেম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরদা নৈনরিবা/পান্নরিবা ময়ামসিগী মমি অমত্তা তাবা উদ্রি ঙসি ফাওবা।

নর্স প্রোফেসনগী ওইবা কোর্স - জি এন এম, এ এন এম, বি এস সী নর্সিংনচিংবা কয়া তমদুনা নর্সিংবু প্রোফেসনেল করিয়র অমা ওইনা লূম্না ইরমদম অসিদা লৌনরি। 10/10+2 লোইবগা করিয়র অমগীদমক য়াম্নসু পাম্নরি মরু লইনা চনুরা নিংঙোলশিংগী তঙাইফদবা তম্বদা লেমজবা শিনফমনি হায়নসু মমা-মপা ওইবশিংনা হরাউজরি। লাইবক থীরিবদি তম্বা লোইরক্লগা ইরমদম অসিদা হল্লক্লগা আশা উদবদগী হল্লকখিদবা কয়াসু তশেংনা অচৌবা খুদোংচাদবা ওইরি। তঙাইফদনা তম্বা লোইরগা হল্লকখিবা কয়ানা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা পি তৈথোক্তুনা লেনবসু য়াওনরে। থাগী খূৎশুমল লুপা ৪০০০-৫০০০ খক্তমক পীদুনা নুমিৎ চুপ্পা কথোকপগা লোয়ননা মীওইবগী থৌগল তৌরি। ‘ৱারে’ হায়বা নোংমতা তাদে। পেন্থোকপা, কথোকপগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌজরি। মসিমক্লা ওইগনি মণিপুরগী ৱাংমদা অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদা মণিপুরী নর্সশিং য়াম্নমক হরাওনা পাম্নরিবসিগী মরম। অদুবু কৈসু কায়দে তম্বালোইরকপদা মখোয়না ৱাশক লৌখিবা “Nightingale Pledge” তা য়াওবা ৱাহৈ খরদং থমজগে, “......to pass my life in purity and to practise my profession faithfully....” মসিমক ঙাকপা ঙম্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনজরি। নাকল অমরোমদা প্রাইভেট হোস্পিটাল চলাইরিবা মীওইশিংনদি মখোয়গী মথৌ, থবক মশক খঙবিরিব্রা হায়রগদি পূক্লিং নুংশিবা ফাওরে। মতাংসিগা চান্ননা নর্সশিং অমদি অতৈ ষ্টাফশিংগী খূৎশুমল পীবিদ্রি। মখোয়গীদমক সেক্যুওর ওইবা Provident fund, Health insurance, Financial Assistance অমদি অতৈ কান্নবা খুদোংচাবা অয়াম্বনা পীবিদ্রি। মশা-মউ ফরিঙৈ শীজিন্নগনি নারক্লগা, য়ারক্ত্রগা থবক্তগী লৌথোক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈবগুম তৌরি। মসিমক্তি “চু কুলুদা চুহি শুম্বগা পাঙখক ওইদ্রিবরা?” সর্ভিস ফজহল্লিবা লাক্লিবা অনাবা কয়াগী পূক্লিং পোহল্লিবা কয়াবুনা মনা থাবীদবা, তৌবীমল খঙবা উৎত্রিবা মসিমক হোস্পিটাল চলাইরিবা মখোয়গী অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোন ওইবজাৎলা হংনীংলি। মশা নান্না কে মৌদবা মীয়াম্না য়েংনীংনবা মওংদসু লাক্কদবনিসু হায়রি হোস্পিটালগী ওথোরিটিনা। ফংলিবা খূৎশুমলনা হৈক্রু মনাদা য়োম্লগা মখূৎ থক-থক নিকপমখৈ পীরি। লিপষ্টিক অমদা লুপা ৫০০ য়ৌরবা মতমনি, শীজিন্নবা য়ারবা বোদি লোসন, স্কিন ক্যের লোসন অমদা লুপা ৩০০/৪০০দা ফংদ্রবা মতমনি। মসিদা ফংলিবা শেলদাদুগা তৌগদৌবনি হায়রিবা ৱাফমশিংদুগা, হায়রিবা মখোয়দুবু মমায় ইকায়বা ফাওদবজাৎলা? নৎত্রগা মখোয়সু অঙম অথৌশিংগী য়াকা য়েংদুনা তঙাইফদবগী তৌরিব্রা অউবা ঐখোয়দি য়েংলু-য়েংলুবদা উবা ঙমদ্রে।

পূম্নমকসিগী মথক্তা য়াম্নমক চিংনবা থৌওং অমসু মীয়াম্না উবা ফংলি। খূৎশুমল য়াম্বা, চহী য়াম্না এক্সপরিএন্স লৈরবা ষ্টাফশিংবু মরাল অমা নৎত্রগা অমা পীশিন্দুনা থবক্তগী লৌথোক্লবা হোৎনবগী চৎনবী অমসু উবা ফংলক্লে। চহী য়াম্না এক্সপরিএন্স লৈবা, খূৎশুমল য়াম্লবা মখোয়গী খূৎশুমলদুনা অনৌবা ষ্টাফ ২/৩ লৌশিনবা ফৈ হায়বগী অরোনবা পোলিসি অমসু চলাইবগুম তৌরি। থবক ফংদবা নহা কয়া লৈরি হায়বগী খুদোংচাবা লৌদুনা অসুম্না ইথিক্স কায়বা “Selfish Business” লৈরগদি তশেংনমক নীংবা কায়নীংঙাইনি। হোস্পিটাল হায়বসি “Service for Humanity” নি হায়নরিবনি। অদুমকপু তৌথোরক্লিবসিনা, থবক্লা কোকথোং, খূৎশুমলনা হৈক্রু মনাদা, অরোইবদা মীৱানা ঐখোয়গী, ৱাবগা-খোন্থিগা তোংই’ হায়বদুমক নর্সশিংদা ফংলে। য়াম্না ঙক্লিবদি মণিপুরদা নর্স হায়বা শিনফমসি ‘ওর্গনাইজ সেক্টর’ নৎত্রগা ‘অনওর্গনাইজ সেক্টর’ দা চল্লিব্রা হায়বগী চঙক্লবা লৈরে মরমদি অনীমক্কী খুদোংচাবসু অমত্তা ফংদে। নর্স ওইবগী খুদোংচাবশিং ফংইহায়বসু তাদে। মখোয়দা ফংবা কান্নবা অমখক পল্লবদা থবক ৱানা হল্লকপা মতমদা লৈকায় খুলগী অনাবা য়েংবীয়ু য়াদে হায়বগী তথী-তথী ঙাঙবীবদুমদি তোইনা ফংই। মীয়ামদসু ৱাখল তাদবা কয়া লৈরি, ডাক্তর অমদি নর্সকী মথৌসি করিনো খঙদ্রি। ডাক্তরগী মথৌ, নর্সনসু তৌবা য়াই হায়না লৌরি অদুবু নর্সকী মথৌদি ডাক্তরনা তৌবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন লৈরি। মসিগী ৱাখল্লোন হোংদ্রিফাওবদি ‘নর্স’ হায়বা শিনফমসি পংৱাং ৱাংবা য়াখিরোই।



Indian Nursing Council (INC) অমদি Medical Council of India (MCI) গী মথৌশিংদুদা নর্সশিংগী জোব, হেল্থ, সোসল অমদি ফাইনান্সিএল সিক্যুরিটিদা য়েংশিনবীবা য়াদবজাৎলা নৎত্রগা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন, এন জি ও কয়া লৈবনিনা লিগেল প্রোসিজর লৌখৎচসনু হায়বগী কোমথোকপা লৈব্রা অসুক ফীভম শোক্লসিফাও তূমিন্না লৈরিবা। পূম্নমকসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী এজেন্সীনি হায়রগদি মণিপুরগী লৈরিবা দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা কদাইদা চৎখ্রবা? প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পুরিবা ডাক্তর অমদি রাউন্দ চ্যেক লাক্লগা অনাববু ঙহাক য়েংলম্বগী চার্জেস লুপা ১০০০-২০০০ ফাওবা লৌবা য়াওরি। অদুমকপু ডাক্তরগী মতেং পাংলিবা অনাববু শোয়দনবা চেকশিন্না শেন্নরিবা নর্সশিংগী চার্জেসতি কদাই চৎখ্রবা? অসুক য়াম্না খেন্নবা থম্বা হৌনব্রা? নৎত্রগা নর্সকী ৱাশক লৌবদা, “.....With loyalty will I endeavour to aid the physician in his work, and devote myself to the welfare of those committed to my care.” য়াওখিবদু মথৌ পাঙথোকপনি, থবক্তা ওন্থোকপনি খুমগদৌরিব্রা। অদুমকনি হায়রগদি ডাক্তরশিংনা কয়ামুক ইথিক্স ঙাক্লবনো হায়বগী ৱাহং লাক্তবা য়ারোই।

মীওইবগী খঙবা ঙম্বা চাং অমা লৈবনি। মদুগী ৱাংমদা লাকপা তারবদি নাকল অনীমক ফজফম, কান্নফম অমত্তা লৈরোই। হৌজিক চত্থরিবা অসিগুম্না মতম শাংনা চত্থরকপা থোক্লগদি বৃটিশ কোলোনিএল ইন্দিয়াদা ফেক্টরি লেবর/ৱার্কর অমগী পুন্সি মহিংদুগা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী নর্সকী চৈথেংশিংগা খেন্নবা থোইদোক্লা উদ্রে। খেন্নবা হায়ববু মতমদুদনা বৃটিশকী মখাদা চৈথেং ফংবনি, হৌজিক্লা ইরমদমগী ওইজবতা খনবা মীওইশিংগী মখাদা অৱাবা খাঙবা অসি মঙাইরে। য়ূম পুবসু ঙমদা, মশাগী হিংনবা হোৎনবসু কোন্নদা, মীয়াম মাঙদসু তম্লুবা মহৈদুনা শিনফম নাইরে হায়দু থোক ঙসিদি ‘নর্স’শিং করিনুংগী শিনফম অসিদা চঙলুবনো হায়বগী নীংঙমদবা ফাওহনফম থোক্তে। মসিমক্তি মীওইবা খুন্নাই অসিগী মরাই চাইথরক্লবা ইশানা শেমজবা লম্বী ওইগনি। তশেংনমক থম্মোয় শেংনা, কূপ্না অতেনবা মতমগী মনুংদা মীৎয়েং চঙহৌদ্রবদি পোলোইদা লাঞ্জদ্রবা থৱায় কয়াগী তেংথাখোল নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লম্বী মমী শামলে...! ●